মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর মশাগী হোম কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপচে পীশিনবা ঙমখিদ্রে

আইজোল, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): কনষ্টিট্যুএন্সি অনীদা মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরিবা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লাল থনহোলা মশাগী হোম কনষ্টিট্যুএন্সি ওইরিবা সের্চিপতা মীরেপচে পীশিনবা নংহৌদ্রে।

চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর মফম লৌথোক্কদবনি হায়না মীয়ামগী খোঙজং চঙশিল্লকপা মরম্না মীরেপচে পীশিনবা ঙমখিদ্রে হায়না রিপোর্ট অমা ফোঙদোক্লি।

এদিসনল দেপ্যুটি কম্মিস্নার চুৱানুনানা এজেন্সীদা হায়খি, মীয়াম্না দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওফিসতা খোঙজং চঙশিল্লকখিবদগী চীফ মিনিষ্টরনা রিটর্নিং ওফিসরগী ওফিসতা চঙবা ঙমখিদবনি। কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা লাল থনহোলাদা মীরেপচেপীশিনবা য়ারোইহায়না অথিংবা পীখিবা লৈতে। মীয়ামগী খোঙজং অদু য়েংলগা মহাক্লা মীরেপচে পীশিল্লমদনা হনখিবনি।

অৱাং নোংপোক লমদমদা কোংগ্রেসনা লৈঙাকপা অমত্তা ঙাইরবা ষ্টেট ওইরিবা মিজোরামদা মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা মতম নবেম্বর ৯ নি। মেম্বর ৪০ লৈবা মিজোরাম এসেমব্লীগী মতম দিসেম্বর ১৫ দা লোইগদবা মরম্না নবেম্বর ২৮ দা মীখল পাঙথোক্লবা ইলেক্সন কম্মিসন্না মতম লেপখিবনি। চৈরকসিদা, চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর মফম লৌথোকউহায়বা মীয়ামগী ৱাকৎকা মরী লৈননা ন্যু দিল্লিদা ঙসি মিজোরামগী সী ঈ ও, এস বি সসঙ্কানা ইলেক্সন কম্মিসনগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে।

হোম সেক্রেটরি মফম লৌথোকখিবগী মায়োক্তা মিজো লিশিং কয়ানা আইজোলদা লৈবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসরগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা লৈখ্রবনি। খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা কেপিটেল সিটিদা স্কুল, ওফিস অমদি লল্লোন ইতিক তৌফম পুম্নমক থোঙ লোনবা তাখি। মীখল ময়া নকশিল্লকপগী অচৌবা ৱাথোক অমা থোক্লি ঙৈগী চৈরত্তা মিজোরাম এসেমব্লীগী স্পিকর হিফৈ ফম থাদোক্লগা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) দা য়াওখ্রবনি। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট অসিদা এসেমব্লী মীখল পাঙথোক্কদবা চয়োল অহুমখক্তা ঙাইরবা মতমদা হিফৈনা স্পিকর ওইবা তোক্লগা কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা য়াওখিবনি। তরেৎলক হন্না কোংগ্রেসকী লেজিসলেটর ওইরল্লবা মীওই অসিনা দেপ্যুটি স্পিকর আর লালরিনোমাদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখি। তুংদা মহাক্লা কোংগ্রেস ভবনদা চৎতুনা পার্টিগী প্রাইমারী মেম্বরশিপতগী তোকচরগে হায়না অইবা চেরোল পীশিনখি।

মেম্বর ৪০ লৈবা হাউসতা সেপ্টেম্বর থাদগী হৌজিক ফাওবদা ফম থাদোকখিবা কোংগ্রেস এম এল এ মহাক্লা মঙাশুবনি। গুৱাহাতিদা নোর্থ ইষ্ট দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্স (এন ঈ দি এ) গী কনভিনরসু ওইরিবা বি জে পিগী লুচিংবা হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা মশাগী চহী ৮১ শুরবা হিফৈ বি জে পিদা য়াওরক্লে হায়না ফোঙদোকখি। পোলিটিক্সকী লমদা নীংথিনা খঙহৈরবা লুচিংবা অসিনা বি জে পিদা য়াওরকপনা পার্টিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহল্লগনি হায়না অসামগী ফাইনান্স মিনিষ্টরসু ওইরিবা হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা মখা তানা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক লাক্কদৌরিবা মিজোরামগী এসেমব্লী মীখলদা হিফৈবু বি জে পিগী টিকেটতা মীরেপ ওইনা পুথোকপগী ৱাফমদি মহাক্লা পনখিদে। কোংগ্রেসনা পাল্লক এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা হিফৈবু মীরেপ ওইনা পুথোক্লগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। অদুবু মমাঙ চয়োলদা পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি কে টি রোখোনা ওইনা কনষ্টিট্যুএন্সি অসিদা মীরেপ ওইরগনি হায়না অমুক হন্না লাউথোরকখি। কুমজা ১৯৭২ দগী কুমজা ১৯৮৯ ফাওবা তুইপাং এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী তরুকলক হন্না মীখলদা মায় পাকখিবা হিফৈনা মমাঙগী এসেমব্লী মীখলদা পাল্লক এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইনা মায় পাকখিবনি।

প্রসিদেন্ট কোবিন্দ, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মীয়ামদা দিৱালীগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): দিৱালী কুম্হৈগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা হায়, দিৱালীগী মৈঙালনা লৈবাক অসিগী য়ুমথোঙ খুদিং ঙালহন্দুনা মীয়াম্বু অনৌবা মঙাল অমা ফংহনবা ওইরসনু। প্রাইম মিনিষ্টরনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়, দিৱালীনা লাকপদা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা নুংঙাই য়াইফবা, হকচাং ফবা অমসুং চাকহোং ঙাহোংবা ওইরসনু।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনসু লৈবাক মীয়ামদা দিৱালীগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্লা হায়, শেংলবা দিৱালীগী থৌরম লাকপদা লৈবাক্কী মীপুম খুদিংমক্তা য়াইফ পাউজল পীজরি। নুমীৎ অসিদগী হৌনা লৈবাক অসিদা ঈং-তপ্পা অমসুং নুংঙাই-য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু।

ফাইজাবাদ দিষ্ট্রিক্টপু অয়োধ্যা হায়না খঙনরগনি হায়না লাউথোকখিবা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনসু লৈবাক মীয়ামদা দিৱালীগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ঙসি অয়ুক ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী লোন্নবা উত্তরখন্দগী হার্সিলদা প্রাইম মিনিষ্টরনা আর্মি অমসুং ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) কী পর্সনেলশিংগী লোয়ননা দিৱালীগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। তুংদা মহাক্লা লোর্দ শিবগী কেদরনাথ লাইশঙদা চৎতুনা লাই খুরুমখি।

পনবা য়াবদি, কা-হেন্না পোল্যুসন থোক্লোইদবা বোম্বুলা খত্তুমক য়োলহনগদবনি হায়না সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা য়াথং ঙাকপা ওইনা দিল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ওথোরিটিশিংনা বোম্বুলা কিলোগ্রাম ৬৪০ হেন্না ফাগৎপা লৈখ্রবনি। অখন্নবা পুলিসকী টিম অমনা সদর বজারদা বোম্বুলা কিলোগ্রাম ৬২৫ ফাগৎখি। সবজি মন্দি অমসুং বুরারি পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফমদগী মথং শিংনা বোম্বুলা কিলোগ্রাম ১১.১ অমদি কিলোগ্রাম ৭.৯ সু ফাগৎখি।

সদর বজারদা কুটুব রোদ পার্কিংগী মায়োক্লবদা লৈবা দুকান অমদা বোম্বুলা কয়ামরুম লৈরে হায়বা পাউ অমা হেদ কন্সটেবেল সন্দিপ চোলানা ফংবদগী মফম অদুদা থি-হুন্বগী থবক চথবদা বোম্বুলা কিলোগ্রাম ৬২৫ ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস (নোর্থ) নুপুর প্রসাদনা ফোঙদোকখি। লক্ষ্মীনগরদা লৈবা রবিন্দর (৩৫) কৌবা মীওই অমনা বোম্বুলাশিং অদু লোৎশিন্দুনা থল্লম্বনি। হিরম অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা বোম্বুলা অমসুং পোকখায়হন্নবা মচাকশিং অদু কদায়দগী কমদৌনা পুরকখিবগে হায়বদু চপ চানা খঙদোক্কবা হোৎনরি হায়না দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি, সবজি মন্দি অমদি বুরারিদগীসু মথংশিংনা বোম্বুলা কিলোগ্রাম ১১.১ অমদি কিলোগ্রাম ৭.৯ ফাগৎখি। চৈরকসিদা, দিল্লি পুলিসনা বোম্বুলা থাবগা মরী লৈননা সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা গাইদ লাইনশিং ময়েক শেংনা ইবা পোষ্টর কয়া সিটিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থেৎপা হৌখ্রে। ওক্টোবর ২৩ দা সুপ্রীম কোর্টনা বোম্বুলা থাবগী থৌওং মপুং ফানা থিংনবা ৱায়েল পীখিদবা তারবসু অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎতা কা হেন্না অমাঙ-অতা থোকহল্লোইদবা গ্রীন ফায়রক্রেকর খত্তুমক কৈথেলদা য়োলহনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মখোল হৌবগী চাং হন্থবা অমসুং নুংশিৎ মোৎহল্লোইদবা বোম্বুলা খত্তুমক য়োনহনগদবনি হায়না এপেক্স কোর্টকী য়াথং অমনা ফোঙদোকখি। চহী খুদিংগী বোম্বুলা থাবনা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা কা হেনবা মওংদা নুংশিৎ মোৎহনবগা লোয়ননা মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহন্দুনা লাকখিবনি।

চহী অসিগী অহনবা ওইনা শ্রীনগরদা ফ্রিজিং পোইন্ট য়ৌনা ঈংলে

শ্রীনগর, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): হৌখিবা অহিংদা শ্রীনগরগী ওইনা চহী অসিগী খ্বাইদগী ঈংবা অহিং ওইখ্রে। জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কেপিটেল সিটিদা খ্বাইদগী ঈংবগী চাং মাইনস ২.২ দিগ্রী সেলসিয়স ওইখি হায়না মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

কুম অসিগী ওইনা হৌখিবা অহিংনা শ্রীনগরদা খ্বাইদগী ঈংবা ওইখি হায়না পল্লদুনা ওফিসল অদুনা হায়খি, কাশ্মির তম্পাক্কী অতৈ অতোপ্প মফমশিংদসু ঈংবগী চাং হেনগৎলকখি। ফ্রিজিং পোইন্টতগী হেন্না ঈংবা মফম খরসু য়াওখি। মমিং লৈরবা স্কি রিসোর্টনি হায়না লৌনরিবা নোর্থ কাশ্মিরগী গুলমার্গতা মাইনস ৬.৬ দিগ্রী সেলসিয়স য়ৌনা ঈংখি। অমরনাথ যাত্রাদা শরুক য়াবা মীওইশিংগী বেজ কেম্প লৈরিবা পহলগাম রিসোর্টতনা মাইনস ৫.২ দিগ্রী সেলসিয়স য়ৌনা ঈংখি।

খাথংবা কাশ্মিরগী কোকরনাগতসু ঈংবগী চাং মাইনস ১.৭ দিগ্রী সেলসিয়স ওইখি। কাজিগন্দদা মাইনস ২.৮ দিগ্রী সেলসিয়স অমদি অৱাংথংবা কাশ্মিরগী কুপৱারাদনা মাইনস ১.৮ দিগ্রী য়ৌনা ঈংখি। লদাখ রিজনগী লেহদসু মাইনস ২.৮ দিগ্রী সেলসিয়স য়ৌনা ঈংখি।

অয়োধ্যাদা রামগী মীতম শাবগী থৌরাং লাউথোকখ্রে

লখনৌ, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা অয়োধ্যাদা রামগী মীতম শানবগী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থৌরাং লাউথোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্লা হায়খি, অথুবা মতমদা রামগী মীতম অমা অয়োধ্যাদা শানবা থৌরাং লৌখৎলগনি। করম্বা মফমদা মীতম খিনগদগে হায়বগী মতাংদা থবক পায়খৎপা হৌরে। লাক্কদৌরিবা চহী খরগী মনুংদা অয়োধ্যাবু মালেমগী য়াম্না মরুওইবা সিটি অমা ওইহৌনবা হোৎনরগনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি।

দিৱালীগী থৌরম য়াওবা লাকখিবা অদিত্যনাথনা হায়খি, অয়োধ্যাদা রামগী লাইশঙ অমা লৈরম্মী হায়বসি মীপুম খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। হান্নগী মফম অদুমক্তদা অনৌবা লাইশঙ অমা শোয়দনা শারগনি। ফাইজাবাদ দিষ্ট্রিক্টপু অয়োধ্যা হায়না খঙনরগনি হায়না লাউথোক্লবা মতুংদা মহাক্লা দিৱালী থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা লাইনিং লাইশোনগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

সর্যু তুরেলগী তোর্ব্বান্দা লৈবা ফাইজাবাদ অমদি অয়োধ্যা পুনশিল্লগা অমত্তা ওইনা অয়োধ্যা হায়না খঙনরগনি। মফম অসিদা রামগী লাইশঙ অমা শাদুনা মীয়ামগী অপাম্বা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না অদিত্যনাথনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বি জে পি-আর এস এসনা অয়োধ্যাগী য়েৎনরিবা রামজন্মভুমিগী ৱাফম শীজিন্নরগা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরে হায়না কোংগ্রেসকী সেনিয়র লিদর অভিশেক মানু সিংহভিনা মরাল শিবা লৈখ্রবনি। মহাক্লা হায়খি, কুমজা ১৯৯২ গী মতুং তারকপদা বি জে পি অমসুং আর এস এসনা মীখল খুদিংগী রাম টেম্পলগা মরী লৈনবা ৱাফম পুখৎতুনা লাকখি। অদুবু মীখল লোইখ্রবা মতুংদদি রামগী লাইশঙ শাবগী ৱাফম কাউথোকখি। লাইশঙ শাবগী ৱাফম শীজিন্নরগা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌবগী থৌওং অসি রামদা ঈকায়বা পীবনি হায়না লৌফম থোকই।

বি জে পিগী লুচিংবা খরনা রাম টেম্পল শাবগা মরী লৈননা ওর্দিনান্স চৎনহনবগী ৱাফম হৌদোরকপগী মতাংদা সিংহভিনা হায়খি, চহী মরি হেন্না লৈঙাক পায়রকপা মতমদা বি জে পিনা ওর্দিনান্স চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎত্রিবা করিগীনো হায়বদু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনফম থোকই। আর এস এস অমদি বি জে পিবু রময়নদা য়াওবা মন্থরা অমদি কাইকেয়িনি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, আর এস এসনা অনৌবা মতমগী মন্থরানি অমসুং বি জে পিনা কাইকেয়িনি। কাইকেয়িনা রামবু চহী ১৪ লোই থাখি। অনৌবা মতমগী কাইকেয়ি অমসুং মন্থরানা হৌখিবা চহী ৩০ রোম রামবু লোই থাদুনা থল্লক্লি।

রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) না অয়োধ্যাদা রাম টেম্পল শানবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লো অমা শেমগদবনি হায়বা ৱাফম পুখৎলকখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী এম পিসু ওইরম্বা বিশ্বা হিন্দু পরিষদ (ভি ঐচ পি) গী লুচিংবা রাম বিলাস বেদান্তিনা রাম টেম্পল শাবগী মতাংদা লো শেম্বা নৎত্রগা ওর্দিনান্স পাস তৌবগী মথৌ তাদে। নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরক্লগা লাইশঙ শানবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

অরুনাচলদা আর্মি অমসুং পুলিস খৎনখিবগী মতাংদা থিগৎলি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): অরুনাচল প্রদেশকী বোমদিলাদা আর্মি পর্সনেল খরনা ষ্টেট পুলিসকা খৎনখিবগী মতাংদা অচুম্বা ৱাফম খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

আর্মি পর্সনেল অনী ফাখি হায়বগী ৱাহৌদা ইন্দিয়ন আর্মিগী ইন্ফেন্ট্রি রেজিমেন্ট অমা ওইরিবা অরুনাচল স্কাউটকী পর্সনেলশিংনা ৱেষ্ট কমেং দিষ্ট্রিক্টকী বোমদিলাদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমদা কা হেনবা থৌওং চথখিবনি হায়রি।

মফম অদুগী মীওইশিংনা এজেন্সীদা হায়খি, নবেম্বর ২ দা বুধ মহোটসবকা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অমদা আর্মি পর্সনেল অনী লাক্লগা নুপীশিংদা কা হেনবা থৌওং চথখি। মীয়াম্না পুলিসতা ৱাকৎপদগী আর্মি পর্সনেল অনী অদু ফারগা পুলিস ষ্টেসন্দা থমখি। ঙাইহাক লৈরগা অরুনাচল স্কাউটকী পর্সনেল কয়ামরুম লাক্তুনা পুলিস ষ্টেসন্দা অমাঙ-অতা থোকহনবগা লোয়ননা নোংমৈ মুনবগী থৌওং ফাওবা চথখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

মফম অদুগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসতা আর্মি পর্সনেলশিংনা কিহনখিবগী থৌওং পুম্নমক দেপ্যুটি কম্মিস্নার সোনাল স্বরুপনা উৎহৈ হায়রি।

চেন্নরিবা আর্মি য়ুনিট অসিগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎপীনবা ইনিদয়ন সিবিল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিব সার্ভিসেস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট রাকেশ শ্রিভাষ্টাবানা দিফেন্স সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল অমা থাখি। দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনদি আর্মি পর্সনেল অনীবু পুলিস ষ্টেসন্দা ফাজিন্দুনা থল্লবা মতুংদা তমথিবা ফুখি হায়রি।

নাকল অনী উংখৎনবগী ফীভম লাকপদা কম্মান্দিং ওফিসরনা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনবদা পুলিস পর্সনেলশিংনা কম্মান্দিং ওফিসরগী গার্দ অমদা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নরকপদগী নাকল অনী উংখৎনবগী থৌদোক থোকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা বোমদিলা পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জগী মথক্তা এফ আই আর অমা ফাইল তৌরে। পুলিসকী ওইনসু থৌদোক অদুগী মতাংদা তোখায়বা ইনক্কারি অমা চথবা হৌরে।

কিষ্টৱারদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৌথোকখ্রে

জম্মু, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কিষ্টৱার টাউন অমসুং মসিগী অকোয়বদা থল্লম্বা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৌথোকখ্রবসু দিৱালীগী থৌরমদা থোইদোকপা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদ্রে।

কিষ্টৱারগী টপাল মোহলালদা বি জে পিগী সিনিয়র লিদর অনিল পরিহার অমসুং মনাওনুপা অজিট পরিহারবু শকখঙদবা মীওই খরনা হাৎলম্লবা মতুংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা টাউন অসিদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থল্লকখিবনি। নবেম্বর ১৭ তগী তাঙ্কক ৯ থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অসিগী পঞ্চায়ট মীখল মাঙওইননা বি জে পিগী লুচিংবা অদু শকখঙদবা মীওইশিংনা হাৎলম্বনি। রিপোর্ট অমনা হায়, ফীভম ফগৎলকপদগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ঙসি দিৱালী নুমীৎতা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। কর্ফিয়ু কোমথোক্লিঙৈ মনুংদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকখিবগী রিপোর্ট লৈখিদে। মহৌশাগী মতৌগুম দুকান অমদি লল্লোন-ইতিক তৌফম পুম্নমক থোঙ হাংনখিবগা লোয়ননা লম্বীদা গাড়ী চেন্নখি। মীয়াম্না দিৱালী কুম্হৈগী অথুম-অহাও লৈনখি।

নুপী চঙহন্দনা সবরিমালাগী লাইশঙ থোঙ লোনখ্রে

তিরুবনন্তপুরম, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): সুপ্রীম কোর্টনা চহী মতাং খুদিংমক্কী নুপীশিং চঙহনগদবনি হায়না ৱায়েল পীখ্রবসু সবরিমালাগী লাইশঙদা থাগী খোংকাপ লাকপগী চহী মতাং ওইরিবী নুপী অমত্তা চঙহন্দনা লাইশঙগী থোঙ লোনখ্রে।

সিক্যুরিটি পর্সনেল ১০০০ হেন্না থমদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু নুপী চঙহনবা য়ারোই হায়না খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংনা পাউমীশিংদা ফাওবা এটেক তৌদুনা কেমেরা পার্সন অমা অশোক অপন নংখি। যুবী য়াওবা খাউ অমা লংশিল্লকপদগী মলয়ালম টেলিভিজন চেনেল অমদা থবক তৌবা কেমেরা পার্সন অমা শোকখিবনি।

নুমীৎয়ুংবা অদুৱাইদা মশাগী চহী ৫০ শুদ্রিবী নুপী অমা লাইশঙদা চঙনবা হোৎনবদা খোঙজং চঙশিল্লম্বা মীয়াম্না অথিংবা পীখি। পুলিসনা কোন্না চঙশিন্দুনা থিগৎনরুবা মতমদা নুপী অদু মশাগী চহী ৫২ শুরম্বদগী লাইশঙদা লাই খুরুম্বা চঙহনখি। অদুবু চহী ৫০ হেল্লবী অতোপ্পা নুপী অনীদি লাইশঙ মনুংদা চঙহনখিদে।

লোর্দ অয়াপ্পাগী লাইশঙগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা খুৎ থিংজিল্লকপগী মথৌ তাদে হায়না কেরলা হায় কোর্টনা ৱায়েল অমা পীবা লৈখ্রবনি। কোর্টনা হায়খি, লৈঙাক্কী থৌদাংদি লো এন্দ ওর্দর ঙাকপনি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা লাইশঙগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা কা হেন্না খুৎ থিংজিল্লোইদবনি।

নিংথৌকাবা নুমীৎতা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং মরক্তা লোর্দ অয়াপ্পাগী সবরিমালা লাইশঙ হাংদোকখিবনি। মীওই কয়ানা লাইগী মিংখৈ শোন্দুনা চীংথক্তা লৈবা লাইশঙ তম্না কাখৎখি। এরুমেলিদা থুংলখিবা অয়াপ্পা নিংবা মীওই কয়া খুদক্তা লাইশঙ মনুংদা চঙহন্দে হায়বগীদমক লম্বী থিংদুনা খোঙজং চঙশিনবগী থৌদোক লৈখি। লন্নাই গাড়ীশিং লাইশঙ য়ৌনা থৌজিনবা য়াহন্দবা তারবসু কেরলা ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন (কে এস আর টি সী) গী বসশিং পম্বা য়ৌনা থৌজিনবা য়াহনগদবনি হায়না লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

সবরিমালা লাইশঙ থোঙ হাংদোকপগী পাউ লৌবা চৎখিবা পাউমীশিংসু মতম শাংনা নিলাকল বেজ কেম্প থাদোকপা য়াহনখিদে। নিলাকল বেজ কেম্পকী ইন-চার্জ মঞ্জুনাথনদি লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিংদা অথিংবা অমত্তা পীবা লৈতেহায়না ফোঙদোকখি। মমাঙ থাদগী হৌনা লাইশঙদা নুপী চঙহনবগী ৱাহৌদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মরম্না সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অমনা হায়, লাইশঙ হাংদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা পত্তনমটিতা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না সনিধনম, পম্বা নিলাকল অমদি এলাবুনকলদা নবেম্বর ৬ ফাওবা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমখি। চহী ১০ দগীনা ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবী নুপীশিং লাইশঙদা চঙবা য়াহনগদবনি হায়না সুপ্রীম কোর্টনা ৱায়েল অমা পীখিবগী মতাংদা মীওই কয়ানা সবরিমালা লাইশঙ অমসুং মসিগী অকোয়বদা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

সুপ্রীম কোর্টনা য়াথং পীখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থাগী খোংকাপ লাকপগী চহী মতাং ওইরিবা নুপী অমত্তা লাইশঙ মনুংদা চঙবা লৈত্রি। হিরম অসিগা মরী লৈননা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা শরুক য়াবা মীওই ৩০০০ হেন্না ফাগৎখ্রবনি। সেপ্টেম্বর ২৮ দা চহী মতাং খুদিংমক্কী নুপীশিং কেরলাগী সবরিমালা টেম্পলদা চঙবা য়াহন্নবা সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা রিভিয়ু পিটিসন ফাইল তৌরকপদা সুপ্রীম কোর্টনা পিটিসন অদু খুদক্তা হিয়ারিং চথবগী ৱাফম অয়াবা পীখিদ্রবনি।

ছটিসগরগী খুঙ্গং অমদা ভোটর মরিখক লৈরম্লে

কোরিয়া (ছটিসগর), নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইনিদয়ানা ছটিসগরগী এসেমব্লী মীখলদা ভোট থাদবা য়ারবা মীপুম খুদিংমক শরুক য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

ষ্টেট অসিগী ভারতপুর-সোনহাট এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা শুপ্পগী ভোটর মরিখক লৈবা পোল্লিং বুথ অমা য়াওরম্লে। সেরান্দন্দ খুঙ্গংদা লৈবা পোল্লিং বুথ নম্বর ১৪৩ দা শুপ্পগী ভোটর মরিখক লৈ হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর এন কে দুগানা হায়খি, শুপ্পগী ভোটর মরিখক লৈবা তারবসু পোল্লিং পার্টিনা মীখল পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা মফম অদুদা থুংলুবগা লোয়ননা মখোয় মরিমক ভোট থাদহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি। সেরান্দন্দ খুঙ্গং য়ৌনবগীদমক পোল্লিং টিম অদু তুরেল অমা লাল্লগা কিলোমিটর ৬ লোম উমং ফাওদুনা চৎপগী মথৌ তারি।

মেন রোদতগী কিলোমিটর ১৫ মনুং চঙশিল্লগা লৈবা খুঙ্গং অদুদা টেন্টনচিংবা খনগৎতুনা ভোট থাদনবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি। ছটিসগরদা তাঙ্কক অনী থোক্লা মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি। নবেম্বর ১২ দা কনষ্টিট্যুএন্সি ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোটর খুদিংমক শুংশোয় শোয়দনা ভোট থাদহন্নবা হোৎনরি।

অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলনা নবেম্বর ২০ দা পাঙথোক্কদৌরি। তাঙ্কক অনীমক্কী ভোট মশিং থিবগী থৌরম দিসেম্বর ১১ দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখ্রে। এসোসিএসন ফোর দেমোক্রেটিক রিফোর্মসকী রিপোর্ট মতুংইন্না ছটিসগর এসেমব্লীগী মীখল অসিদা মীরেপ ওইবা চোংথোরকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা ক্রোরপতি ৪২ য়াওই হায়রি। ক্রোরপতিশিং অদুগী মনুংদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী ১৮, জনতা কোংগ্রেস ছটিসগরগী ১০, জি জি পি অমসুং এস পিগী অমমম য়াওরি। ক্রোরপতি অহুম মীরেপ ওইবা জগদলপুর কৌবা কনষ্টিট্যুএন্সি অমসু য়াওরি।

তাজমহলগী মোস্কতা নমাজ শোলহন্দবগী য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৭ (এজেন্সি): তাজমহলগী মোস্কতা ইরাই নুমীৎ নত্তনা অতৈ নুমীৎশিংদা নমাজ শোনবা য়ারোই হায়না অর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া (এ এস আই) না অথিংবা থমখিবগী থৌওংবু ওল ইন্দিয়া ইমাম ফেদরেসন (এ আই আই এফ) না অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

এ আই আই এফকী প্রসিদেন্ট সজিদ রাসিদিনা হায়খি, তাজমহল খক্তদা অথিংবা থম্লগা লৈবাক্কী অতৈ অতোপ্পা মফম ১২৩ দনা অথিংবা থম্নবা থৌরাং লৌখৎতবগী মতাংদা এ এস আইনা মতিক চাবা মরম পীগদবনি।

দিল্লিদা এ এস আইনা লৌশিনখ্রবা মফম ১২৩ রোম লৈ। হায়রিবা মফমশিং অদুদা মোস্ক কয়ামরুমসু য়াওরি। অতৈ মোস্কশিংদা অথিংবা থমদ্রগা তাজমহল খক্তদা অতম্নবা অথিংবা থম্বগী থৌওং য়ানিংদে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা ৱাক্ফ বোর্দ অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে। হিন্দু অমসুং মুস্লিমশিংগী মরক্তা নাকপাক তাহন্নবগী পান্দমদা চথরক্লিবা থৌওং অসি খুদক্তা লেপকদবনি হায়না তকশিল্লদুনা রাসিদিনা হায়খি, এ এস আই অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা হিরম খুদিংমক্তা মান্নবা মীৎয়েং য়েংফম থোকই।

মুফ্টি মুকরম কৌবা অতোপ্পা মুস্লিম ক্লারিক অমনা হায়খি, নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা তাজমহলদা মুস্লিমশিংনা নমাজ শোন্দুনা লাকখি। এ এস আইনা হন্দক ইখঙ খঙহৌদনা অরানবা থৌওং অমা লৌখৎলকপনা মুস্লিম লাইনিং চৎপা মীয়ামদা খোয়শাউনবা পোকহল্লে। মোস্ক হায়বসি লাই খুরুম্নবগীদমক শাখিবনি। লাই খুরুম্ফমদা লাই খুরুম্বা য়াহন্দবা হায়বসি কনষ্টিট্যুসন্না পীবা ফন্দামেন্টল রাইট খোঙ্গাওনবনি। অমরোমদা, তাজমহলগী মোস্কতা নমাজ শোলহন্দনবা ৱারেপ লৌখিবগী মতাংদা এ এস আইনা হায়খি, তাজমহলদা অকায় অতোয় থোক্লকপা য়াই হায়না সুপ্রীম কোর্টনা পীখিবা য়াথং ঙাকপা ওইনা নমাজ শোলহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT: RURAL DEVELOPMENT & PANCHAYATI RAJ DEPARTMENT (MONITORING CELL)

NOTIFICATION

Imphal, the 5th November, 2018

No. 11/11/2016-RD(MC)-Pt : In continuation of this Notification No. 11/11/2016-RD(MC) Dated 30th August ,2018 it is hereby inform to all candidates (eligible) who are submitted their applications for appointment of two (2) IT/MIS/PFMS Experts on contractual staffs that "**Written Test**" shall be held at SIRD, Porompat. The detail of Written Examination to be conducted is mentioned below:

Date of Written Exam	Timing	Syllabus	Maximum Marks	Admit Card
14/11/2018	10.30a.m to 11.20 a.m	IT/MIS/PFMS related	70 marks	To be collected on or before 13th November, 2018 from New Secretariat, Room No. 89, RD Monitoring Cell during office hour

2. Viva-Voce of **30 marks** shall be followed on 15th November, 2018 at SIRD, Porompat commencing from 11.00 am.

By Orders etc.,
Sd/-
Yumnam Robita
Joint Secretary (RD&PR)
Government of Manipur

HL-B/4973/8